# মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা সাইক্লোন্না চজিং মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেণ্ডরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চৎথরিবা ১৪ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা সী সী সী চজিং ৱিকেট ৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং সী সী সী চজিংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা মেচ অসিগী করম্বা টিম্না মায় পাক্কদগে হায়বা ঙমখিদে।

মেচ অদুদা সী সী সী চজিংনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। সী সী সী চজিংনা ওভর ৩০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১০২ লৌখি। সী সী সী চজিংগী বেটসমেন কুকুনা নোট আউটতা রন ১৭ (২৮) লৌখি। গুলসন্না রন ১৫ (২৭), বিক্রমনা রন ১১ (২০), সঞ্জয়না রন ১২ (১৭) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বোলর বিকোমনা ওভর ৬ লংখিবদা ৱিকেট ৩ লৌখি। রোবিন্দ্রোনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ২, বিনোয়সু ওভর ৬ তা ৱিকেট ২ অদুগা সুরজা ওভর ৬ তা ৱিকেট ১ লৌখি।

সী সী সী চজিংনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ ওভর ২৩.৩ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১০৩ লৌদুনা সী সী সী চজিংবু ৱিকেট ৩ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী ষ্টেন্দলিনা রন ১৮ (১৯) লৌখি। রোবেন্না রন ২৬ (৩৩), সসিনা রন ১৮ (১৬), সুধিরনা রন ৭ (৩৫) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা সী সী সী চজিংগী বোলর সঞ্জিৎ, অকবরখান অমসুং রনবিরনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। সঞ্জয়না ৱিকেট ১ লৌখি।

মেচ অদুদা সাইক্লোনগী এ বিকোমনা ৱিকেট অহুম লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মথংগী মেচ থা অসিগী ১৭ তা মোদেল ক্লব টিম এ চীংঙামখা অমসুং দি এস য়ু ক্বাকৈথেলগা শান্নগনি।

# কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন (কে এস এ) না শিন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চৎথরকপা তরুকশুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৭ হয়েংদগী ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চৎথবা হৌরগনি।

হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা কংলৈ মেগা ফেষ্টিভেল অসিগা মরী লৈননা ঙসি মপান কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএশনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কে এস এগী য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি এস হেমজিৎনা ফেষ্টিভেল অসিদা লমদমসিগী মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু হায়খি।

মহাক্লা হায়, কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসি চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপগী মরমদি খুন্নাই অসি ময়াই কাবা নিশাদগী লাপথোক্তুনা অমদি য়াওশঙগী হরাউ কুম্মৈবু নাথৈদুনা শান্নবদা মায় ওনশিন্দুনা মশা মউ ফবা, তিঙ্জং কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইনবগী পান্দমদনি।

খুন্নাই অসি নোংমা নোংমগী ময়াই কাবা নিশানা খুদুম চনশিল্লত্তুনা হৌগৎলক্লিবা নহা কয়া নিশাগী ঈপাক্তা তাওরে। য়াওশঙগী হরাউ কুম্মৈনা খুন্নাই অসি কান্নদবদা শেল মাঙহনবা অমদি মতম মাঙহন্দুনা নুংঙাইবগী ঈপাক্তা তাওরক্লি। অসিগুম্বা কয়া অসিদগী নাথৈদুনা খুন্নাই অসি মশা মউ ফবা ওইহন্দবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা ৱাখল্লোন্দা কে এস এনা শিন্দুনা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি।

কে এস এনা শিন্দুনা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসি কুমজা ২০১২ দগী লেপ্তুনা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না তরুক্তা অথোই অহেন তান্নগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মশান্নশিংদি ফুটবোল, চৈবি, থাঙ-তা, কাং, মরাথোন অমসুং ইন্টর জোইন্ট ষ্টুদেন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী ফুটবোলনি। কংলৈপাক মরাথোন রেস হায়না মীংথোন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লমশাং লমজেল অসি খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদগী লমথাদুনা ইম্ফালগী অকোয়বা মফম লমলোং বজার, টেলিপটি, হাপ্তা, ন্যু চেক্কোন লাল্লগা কোনুং মমাঙ, অন্দ্রো পার্কিংদগী ৱাংখৈ কোংবা রোদ ফাওরগা কোংবদগী অমুক শিংজমৈ, পিশুমথোং, খাগেম্পল্লি, ক্বাকৈথেল থিঙোম লৈকায় ফাওরগা তেরা বজারদগী লৌক্রাকপম লৈকায় ফাওরগা নাওরেমথোং ফাইবোক থোং লাল্লবা মতুং উরিপোক লম্বীদা লাল্লগা নাগামপালদগী অমুক খুয়াথোংদা লাল্লগা লিলাসিং খোংনাংখোংদগী অমুক দিঙ্কু রোদ তরল্লবা মতুং খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা পল্লুংফম ওইগনি।

কংলৈপাক মরাথোন রেস অসিগী অহানবা পোজিসন্দা লুপা লিশীং ২০, অনীশুবদা লিশীং ১৫, অহুমশুবদা লুপা লিশীং ১০ গী শেলগী মনা পীগনি। মরিশুবা পোজিসন্দগী ১০ শুবা পোজিসন ফাওবনা লুপা লিশীং ১/১ গী শেলগী মনা পীগনি হায়রি।

ফেষ্টিভেল অসি হয়েং অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা হৌদোক্লগনি।

# জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়াগী ওভর ওল টাইটল লৌখ্রবা মরাদোনা তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

কেরলাগী ত্রিবান্দমদা হন্দক পাঙথোকখিবা ৫৫ শুবা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবা অমদি জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ওভর ওলগী টাইটল লৌরকখ্রবা মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূম মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

থা অসিগী হৌখিবা মার্চ ৪ অমসুং ৫ দা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবা অমদি জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়াগী টাইটল লৌরকখ্রবা মরাদোনা য়াওনা শান্নরোয়শিং ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মীয়াম্না তরাম্না ওকখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূমনা কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা অহানবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ওভর ওলগী টাইটল লৌখিবনি। নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী পূন্না বোদি বিল্ডর ৯ অমদি ওফিসিএল ৪ না শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা দব্লিয়ু মহেশ কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা তরুকশুবা পোজিসন তাখি। এ বিকান্না কেজি ৬৫ মখাগী কাঙলুপ্তা মঙাশুবা তাখি। রোসন ওক্রমচানা কেজি ৬০ মখাগী কাঙলুপ্তা তরুকশুবা পোজিসন তারকখি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ওভর ওলগী টাইটল লৌরকখ্রবা ক্ষেত্রিময়ূম মরাদোনা কে বি বি টি সী ককচীংগী শান্নরোয়নি।

লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশনগী শান্নরোয়শিং অদুদি কে জি ৬০ গী কাঙলুপ্তা ৱর্ল্ড জিম মোইরাংখোমদগী তুলসিদাস, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা পি ৱাই জিম শিংজমৈদগী এন বিপিনকুমার, কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংদগী রোহন ওক্রমচানি। কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা ৱাই পি আই এস এম উরিপোক্তগী এন নেলসন, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংদগী পি নরজ, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা কম্বাইন্দ জিমদগী দব্লিয়ু মহেস, কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা ইষ্টর্ন আইরন জিমদগী এ বিকান অমদি কেজি ৮০ মথক্কী কাঙলুপ্তা কে বি বি টি সী ককচীংদগী মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূম অমদি ঐচ টি এ কোংপাল জিমদগী কে জি ৮০ মথক্কী কাঙলুপ্তা এল প্রেমজিৎনি। মণিপুর বোদি বিল্ডিং টিম অসিগী কোচনা আই বিপিননি। টিম মেনেজরনা এন জি নবচন্দ্র, নেসনল জজ ওইনা আই বি বি এফকী এল মঙলেম অমদি নেসনল জজ ওইবগা লোয়ননা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দেবেনসু শরুক য়াখি।

# ইন্টর ভিলেজ ওপন বোল্লিবোলদা ৱাই ভি এ, য়ু সী এল, এফ এ সী, দব্লিয়ু এম সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচ এন এস) :

ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা রিসেন্ট য়ুথ ক্লব (আর ৱাই সী) মোইদাংপোক ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা চৎথরিবা অহুম্লকশুবা ইন্টর ভিলেজ মেন'স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচশিংদা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম, কে ৱাই য়ু সী অৱাং খুনৌ, ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈক্রুজম, য়ু সী এল ৱাঙ্গৌই, এফ এ সী শজিরোক অমসুং দব্লিয়ু এম সী মোইদাংপোক খুনৌ মায় পাকখ্রে।

টিম ১৬ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা হৌখিবা মার্চ ৯ দগী চৎথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম্না কে এল ৱাই জি সী কামোং সেট ৩-০ (২৫-২০, ২৫-১৬) দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা কে ৱাই য়ু সী অৱাং খুনৌ অমসুং আই জি ও ওইনাম অনীনা শান্নগদবা মেচতা আই জি ও ওইনাম লাক্তবদগী কে ৱাই য়ু সী অৱাং খুনৌ ৱার্ক ওভর ফংখ্রে।

অহুমশুবা মেচতা ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈক্রুজম্না এস দি সী শমুরৌ সেট ৩-০ (৭-২৫, ২৫-১৯, ২৫-২১) দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা মেচতা য়ু সী এল ৱাঙ্গৌইনা এম ৱাই দি সী মাক্লং সেট ৩-০ (২৫-১৬, ২৫-১৭, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা মেচতা এফ এ সী শজিরোক্না আর ৱাই সী টিম বি মোইদাংপোক সেট ৩-১ (২৫-২২, ২৫-২০, ১৭-২৫, ২১-২৫, ১৫-১২) দা মায়থীবা পীখি। তরুকশুবা মেচতা দব্লিয়ু এম সী মোইদাংপোক খুনৌনা কে ৱাই য়ু সী অৱাং খুনৌ সেট ৩-২ (২১-২৫, ২৫-১৬, ২২-২৫, ২৫-২০, ১৫-৮) দা মায়থীবা পীখি।

চৎথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ লৈরোই। মথংগী মেচ থা অসিগী ১২ দা তোঙান তোঙানবা মেচ তরেৎ শান্নগনি। মেচশিং অসি অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদগী চৎথবা হৌগনি।




Authorised Tata Motors Dealers

TIDDIM MOTORS :

Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437

*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.

HL-B/3673/17/2-22/3




HL-P/1010/03/03-6/04




HL-B/3662/9,11,13,15....




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com